# সোভরেন্টিদা শীংনরক্লবদি ইন্দিয়ানা শরুক অনী হেনবা ফোর্সনা খূৎ-থাগনিঃ নরেন্দ্র মোদি



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২১***

ইন্দিয়ানা কনাগুম্বা অমগী লমদা মীৎয়েঙ থমদে অদুবু করিগুম্বা লৈবাক অসিগী সোভরেন্টিদা শিংরকপা তারবদি শীংনরিক্লিবা ফোর্স অদুগী শরুক অনী হেনবা ফোর্সশিং অদুনা খূৎ থাগনি হায়না সুভাস চন্দ্র বোসনা অজাদ হিন্দ গভর্ণমেন্ট শেমলে লাওথোকখিবগী ৭৫ শুবা চহি থৌরম ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা রেদ ফোর্ট তা ৱাঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে।

মহাক্না হায়খি, লান্মীশিংদা হেন্না ফবা ফেসিলিটি হেন্না ফংহন্দুনা মখোয়গী পূন্সি নুঙাইনা হীংনবা থবকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা হেন্না ফবা টেক্নোলোজি অমসুং খ্বাইদগী নৌবা খূৎসু-খূৎলাইশিং আর্ম ফোর্সশিংদা পীনবা গভর্ণমেন্টনা থবক লৌখৎলি। লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইকশিং চত্থবগুম্বগী ৱারেপশিং গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌরি। এক্স-সার্ভিমেন শিংদা ৱান রেঙ্ক, ৱান পেন্সিন স্কিমগী মখাদা লূপা ক্রোর ১১০০০গী এরিয়ারশিং থাদোকখ্রে।

আজাদ হিন্দ গভর্ণমেন্ট লাওথোকখিবগী নীংশিং থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইতিহাসিক ওইরবা রেদ ফোর্টতা জাতিগী ফিরান চীংখৎখি।

সুভা সচন্দ্র বোসকী খ্বাইদগী নক্নবা লূচিংবা অমনা মঙোন্দা পীরম্বা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি (আই এন এ)গী তুপী অদু উপ্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা কনাগুম্বগী তেরিটোরিদা মীহৌবগী মীৎয়েঙ থমদবা হায়বসি ইন্দিয়ান ট্রেদিসন ওইদুনা লাক্লি হায়খি। অদুবু ঐখোয়গী সোভরেন্টিদা শীংনরকপা মতমদদি শিংনরক্লিবা ফোর্স অদুদগী শরুক অনী হেনবা ফোর্সকা লোয়ননা ঐখোয়না খূৎ থাগনি হায়খি।

সুভাসচন্দ্র বোসনা আই এন এ গী নুপী ঙাক্তগী য়ুনিট- রানি ঝান্সি রেজিমেন্ট লীংখৎনবগী ৱারেপ লৌবদা মদুগী ময়োক্তা য়ানীংদবশিং মহাক্না ময়োক্লখিবদু পল্লদুনা নীংথৌকাবা নুমিৎতা রেজিমেন্ট অদু লিংখৎখিবগী চহি ৭৫ মপূং ফারগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

নেহরু-গান্ধী ফেমেলিদা নাকচেপতা চৈবা ওইনা অকক্লবা ইমুং অমবু য়োকখৎতুনা লৈবাক সিগী লৈহৌরিবা মীয়ামগী লুচিংবশিংগী মথক্তা থন্নবা ইন্দিপেন্দেন্স ষ্ট্রগলদা সরদার বল্লভভাই পতেল, ভিম রাও অম্বেদকর অমসুং সুভাস চন্দ্র বোস কুম্বা লূচিংবশিংনা লৈবাক্কীদমক কখোকখিবশিং অদু কাউহনখিনবা হোৎনৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু হৌজিক ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা মদু পূন্নমক হোংদোক্লে। মমীং চৎলবা অজাদ হিন্দ ফৌজগী তুপী উপ্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা রেদ ফোর্টতা জাতিগী ফিরান চীংখৎখি অমসুং অজাদ হিন্দ গভর্ণমেন্টকী চহি ৭৫ শুরকপা অদু নীংশিংনবা প্লেট অমা মায়খুম হাংদোকখি।

সুভাস চন্দ্র বোসনা নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপাক ইন্দিয়াদা অহেনবা মীৎয়েঙ চংঙম্মী। অদুবু রিজন অনী অসিবু থৌশাদনা থম্বীরকখি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোকপু ইঞ্জিন ওফ গ্রোথ অদু ওইনবা থবক চংশিল্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

সুভাস চন্দ্র বোসকী লৈবাক নীংবগী ইহুল অমসুং থৌনা অদু থাগৎলদুনা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, মশাগী ১৬ তা শুবা নহা অমা ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক্না বৃটিসকী লৈঙাক মখাদা ইন্দিয়ানা ময়োক্লখিবা ফিভম অদুদা অৱাবা পোকখি। মহাক্কী আইদিওলোজি দি নেসনেলিজমনি, নেসনেলিজমদা মহাক হীংখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

মখল অমা হেক্তগী দিজাসতরশিংদা রেস্ক্যু অমসুং রিলিফ ওপরেসনশিংদা খুদম ওইনীংঙাই ওইবা থবক তৌবা পুলিস পাসোন্নেলদা নেতাজি সুভাস চন্দবোসকী মমীংদা নেসনেল এৱাদ অমা চহি খুদিংগী পীরগনি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাওথোকখি।

নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোসনা ইন্দিয়াগী অহানবা মনীং-মখা তম্বা গভর্ণমেন্ট - অজাদ হিন্দ গভর্ণমেন্ট ওক্তবর ২১, ১৯৪৩ দা শেমলে লাওথোকখি। মহাক্কী মীংদা পীবা এৱার্দ অদু প্রাইম মিনিষ্টরনা নেতাজি মপোক নুমিৎ জনৱারি ২৩ দা লাওথোক্কনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# ন্যুক্লিয়ার আর্মস দিলদগী য়ু এস না তোকখিবদু খুদোংথিনীংঙাই খোঙথাংনীঃ রসিয়া

***মোসকে, ওক্টোবর ২১***

রসিয়াগা তৌনবা কোল ৱার মতমগী ন্যুক্লিয়ার ৱিপন্স ট্রিটি অমদগী তোক্লবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাওথোকখিবা মহাক্কী থৌরাংশিং অদু খুদোংথিনীংঙাই খোঙথাং অমনি হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা রসিয়াগী দিপুটি ফোরেন মিনিষ্টরনা ৱার্নীং তৌখ্রে।

মসি য়াম্না খুদোঙথিনীংঙাই খোঙথাং অমা ওইগনি। মদুদি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা মসি য়ানীংদবতা নৎতনা হকচিন্না কন্দেম তৌনীংঙাই ওই হায়বসি ঐনা চেৎনা হায়বা পাম্মী হায়না দিপুটি ফোরেন মিনিষ্টর সেরগৈ রিয়াকোবনা তাস ষ্টেট ন্যুজ এজেনসিদা হায়খি।

ষ্টেটেজিক ওইবা তংদু লৈতাবা ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংগী সেক্যুরিটি অমসুং ইন্টরনেসনেল সেক্যুরিটিদা ট্রিটি অসি মরুওই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনেল এগ্রিমেন্ট শিংদগী তোক্লবা নাকল নাম্মতগী মহাক্না য়ু এস তা থবক তৌরবদি অমসুং মখা তানা মঙক কনবা




অমসুং তমথিবা লীচৎ চত্থরবদি ঐখোয়না অতৈ খনগদবা লৈত্রে। মিলিটরি টেক্নোলোজি য়াওনা খূৎ হনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎপা নৎতনা অতৈ খন্নীংঙাই লৈতে।

য়ু এস প্রেসিন্টে রোনাল্ড রিগান না ১৯৮৭ দা শহি তৌখিবা আই এন এফ হায়নসু খঙনবা চহি ৩০ শুরবা ইন্টরমিদিয়েট রেঞ্জ ন্যুক্লিয়ার ফোর্সেস ট্রিটি অদুদগী তোক্লবা য়ু এস কী থৌরাংশিং ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ট্রম্পনা লাওথোকখিবনি।

য়ু এস নেসন্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোলটো ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা থুংলগদৌরি।

হয়েঙ মহাক্না উনবদা মঙোন্দগী অমেরিকানা চত্থবা পাম্লিবশিং অমসুং হেন্না মরিক চুন্না অমসুং শেঙনা তাবা ফংগনি হায়না ঐখোয়না অশা তৌই।

য়ু এস কী খোঙথাং অসি য়ুনি পোল্লার ওইবা ৱার্ল্ড অমগী মখোয়গী মঙলান অদুগা মরি লৈনৈ হায়না ফেরেন মিনিষ্ট্রিগী লীখুল অমনা হান্না ফোঙদোকখ্রবনি। মসি দিপুটি ফোরেন মিনিষ্টর রিয়াকোপনসু পুথোকখিবা অরগুমেন্ট অমনি।

ইন্টরমিদিয়েট রেজ ন্যুক্লিয়ার ফোর্সেস ট্রিটি লৈবা অসিনা মিলিটরিগী হীরমদা য়ু এস না শুপাই পায়শিন্নবগী ফিভম অমা লিংখৎনবগী লম্বীদা খুদোং চাদবশিং থোকহল্লি হায়না রিয়াকোবনা হায়খি।

## ওক্তোবর ২৪দা মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা সমুদ্র-থোং হোংকোং-ঝুহাই-মকাও থোং হাংলগনি

***বৈজিং, ওক্টোবর ২১***


মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা শমুদ্র-থোং হোং কোং-ঝুহাই, মকাও ব্রিজ ওক্তোবর ২৪দা মীয়াম চখোক-চৎশিন তৌনবগীদমক হাংদোক্লগনি হায়না ওথোরিটিজনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

পর্ল-রিভর এষ্টুৱারী গী লিঙটিংয়াং ৱাটরসতা লৈবা কিলোমিটর ৫৫ শাংবা থোং অসিনা শমুদ্রদা শাবা মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা থোং ওইরগনি হায়না গভর্ণমেন্টকী পাউগী এজেনসি জিনহুৱানা হায়খ্রে।

দোল্লর বিল্লিয়ন কয়া চংবা থোং অসি দিসেম্বর ২০০৯দগী শাবা হৌখিবনি।

পর্ল-রিভর দেলতাদা লৈবা সিটিশিং অমুক্কা হেন্না নকশিহন্দুনা থোং অসিনা হোং কোং অমসুং জু হাইগী মরক্তা চৎপগী মতম অসি হান্না পূং ৩ চংলম্বদু সুপ্নগী মিটি ৩০ খক্তমক চংহল্লগনি।

থোং অসি পব্লিক্কীদমক ওক্তোবর ২৪দা হাংদোক্লগনি



হায়না হোং কোং -জু হাই - মকাউ ব্রিজ ওথোরিটিনা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা হোং কোংগী লো মেক্করশিংনা হোং কোং ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্ট হকথেঙনবা লম্বী অমা পিরিবা থোং অসিনা লানতাও ইথৎতা অহেনবা ট্রাফিক পুশিল্লক্তুনা মী কুংবগী ৱাথোক থোকহনগনি হায়না ৱার্নীং তৌখি হায়না রিপোর্ট অমদা সাউথ চিনা মোর্নিং পোষ্টনা হায়খি।

ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা ঙমখৈ লানগদবা প্রাইভেট কারগী মশীং লিশিং ৫ দা হান্নবা লেপখ্রে। থোং অদুদা ২০৩০ ফাওবদা নুমিৎ খুদিংগী গারী ২৯১০০ না শিজিন্নগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা ২০১৬ দা চত্থহনখিবা ষ্টদি অমনা হায়খি। মশীং অসি ২০০৮ তা ইখিবা রিপোর্ট অমদগীদি চাদা ১২ হন্থরবনি।

সমুদ্রদা কিলোমিটর ৫৫ শাংবা থোং অসি শাবদা হোং কোং দোল্লর বিল্লয়ন ১২০ চংখি।

## ইন্দিয়াগা চিনাগা শোক্নখিবা লানগী চহি ৫৬ কী তুংদা অরুনাচল খূঞ্জাশিংনা লমগী কম্পেন্সেসন ফংখ্রে

***বোমদিলা, ওক্টোবর ২১***

চিনাগা থেঙনখিবা ইন্দিয়াগী লান অদুদা আর্মিনা মখোয়গী বেজশিং, বঙ্করশিং অমসুং বেরেকশিং লীংখৎনবগীদমক লৌশিনখিবা লম অদুগী কম্পেন্সেসন ওইনা লূপা ক্রোর ৩৮ লোম অরুনাচল প্রদেসকী খূঞ্জাশিংনা লান অদুগী চহি ৫৬ কী তুংদা ফংখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজু অমসুং অরুনাচল প্রদেস চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দু না চেকশিং অদু ৱেস কমেঙ দিষ্ট্রিক্টকী খূঞ্জাশিংদা য়েনথোকখি।

খূঞ্জাশিং অদুদা পূন্না লূপা ক্রো ৩৭.৭৩ পীখ্রে। লম অদু কম্যুনিটি লেন ওইবা মরম্না মখোয়না ফংলিবা য়াম্লবা শেনফম অদু খূঞ্জাশিংদা য়েনথোক্লগনি হায়না রিজিজুনা হায়খি।

চেকশিং ফংখিবশিংগী মনূংদা লূপা ক্রো ৬.৩১ ফংখিবা প্রেম দোরজি ক্রেমে, ক্রোর ৬.২১ ফংখিবা ফুনতসো খৱা অমসুং ক্রোর ৫.৯৮ ফংখিবা খনদু গ্লো য়াওরি।

১৯৬২ ইন্দো-চিনা ৱার




অদুগী মনূংদা অর্মিনা মখোয়গী বেজশিং বঙ্করশিং বেরেকশিং লিংখৎনবা লম্বীশিং শেন্নবা থোংশিং শান্নবা অমসুং অতৈ ইনষ্টোলেসন শিংগীদমক পাক চাউরবা লম লৌশিনখি।

আর্মিনা লৌশিনখিবা লমশিং অদু লৈবাক্কী ওইবা হীরমগীদমক্নী অদুবু মতম অদুদগী হৌনা অরুনাচলগী খূঞ্জাশিং অদুদা লমগী কম্পেন্সেসনশিং অদু পীনবা গভর্ণমেন্ট অমত্তনা হোৎনখিদ্রি। অদুবু মমৈথংদা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা কম্পেন্সেসনগী তোল্লিবা শেনফম শেঙদোক্লে। পূন্না লূপা ক্রোর ৩৭.৭৩ গী চেকশিং খূৎশিন্নখ্রে।

অরুনাচল প্রদেসতগী কারকখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রিজিজুনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা মদু তক্লরকখি। অমসুং কম্পেন্সেসনগী শেনফম অদু শেঙ্কসন তৌরকখি।

ঐহাক্না মসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতরমনবু থাগৎচরি হায়খি।

এপ্রিল ২০১৭ দা ৱেস কমেঙ দিষ্ট্রিক্টকী খূঙ্গং অহুমগী ইমীং ১৫২ দা লূপা ক্রোর ৫৪ য়েনথোকখি। চহি অদুগী সেপ্টেম্বরদা লূপা ক্রোর ১৫৮ গী অতোপ্পা ইনষ্টোলমেন্ট অমসু অর্মিনা লৌশিনখিবা লনাই লমশিংগীদমক খূঞ্জাশিংদা য়েনথোকখি। ফেব্রুৱারী ২০১৮ দা তৱাং দিষ্টিক্টকী ইমূং ৩১ দা লূপা ক্রোর ৪০.৮০ খূশিন্নখি।

## কোঙ্গো রিবেলনা ১৩ হাৎখ্রে

***জোহান্নেসবর্গ, ওক্টোবর ২১***

রিবেলশিংনা খ্বাইদগী নৌবা মীশি মীনা থোকহনখ্রবা মফমদা এটেক্ট চত্থরক্তুনা মীচম ১৩ হাৎখ্রে অমসুং অঙাং ১২ ফাখ্রে হায়না কোঙ্গোগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

কেপ্টেন মেক হাজুকে মোঘানা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা রিবেলশিং অদুনা থাংজ নুমিৎতা অমসুং ঙসি নোংমাইজীং নুমিৎ ফাওবদা বেনিগী মফম কয়ামুক্তা লৈবা কোঙ্গো আর্মিগী পোজিসনশিংদা এটেক্টশিং তৌরকখি, এলাইদ দেমোক্রেটি ফোর্সেসকী ফাইটরশিং অদু আর্মিনসু তানখি হায়খি।

রিবেলশিং অদু ইবোলাদগী হেন্না তমথিবা ভাইরস অমনা নাবা মাল্লি। বেনিগী শাউরবা খূঞ্জাশিংনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা অশিবা হকচাং ৪ বেনি তাউন হোলদা পুরকখি। পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা মখোয়বু তানখাইখি।

হৌখিবা থাদা রিবেল এটেক অমগী মতূংদা এবোলা থিঙনবা থবক তোকখিবনি।

## চাইনিজ দিপ্লোমেট সুইসাইদ তৌখ্রে

***হোংকোং, ওক্টোবর ২১***

মকাউদা লৈবা চিনাগী মকোক থোংবা মীহুৎ মহাক্না লৈরিবা বিল্ডিং অদুদগী চোংথরগা সুইসাইদ তৌখ্রে হায়না ওথোরিটি অসিনা ফোঙদোকখ্রে। হান্নগী পোর্টুগীজ লোইলম ওইরম্বা সেমি ওতোনোমস রিজন অদুদা চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী লাইজন ওফিসার ঝেঙ জিয়াওসো (৫৯) দিপ্রেসনগী লায়না লৈবনি হায়না বৈজিংনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

## অরুনাচলগা থংনবা অসাম দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফ্লদ এলার্ট থমখ্রে



***গুৱাহাতি, ওক্টোবর ২১***

টিবেততা তুরেল অমা নীংখাইরকপা লৈবাক্না থিংজিনবদগী খূশেমগী পাৎ অমা শেমলে হায়না চিনানা ইন্দিয়াদা পাউ পীরকখিবদগী থোরকপা য়াবা খুদক্কী ঈচাউগীদমক চেকশিন্না মীৎশীং-নাশিংনা লৈনবা অরুনাচল প্রদেসকা থঙনবা অসামগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওথোরিটিজদা অসাম চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱালনা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিজদা ঙরাং পাউতাক পীখ্রে।

চাইনিজ এম্বেসিগী ৱাংলোই কাউন্সেলর জি রোংনা টিবেততা য়ালূজাংবু তুরেনগী অনেম্বা মফমশিংদা মিলিন কাংউতিগী জিয়ালা খূন মনাক্তা য়ুমশঁকৈশা নুমিৎতা অচৌবা লৈবাক নীংখাইবগী থৌথোক থোকখিবগী মতূংদা মহাক্কী লৈবাক্না ইন্দিয়াগা ইমরজেনসি ইনফোরমেসন সিয়ারিং মেকানিজম চত্থখ্রে হায়খি।

হায়রিবা তুরেল অসি টিবেত রিজনদগী চেন্থরক্লগা অরুনচল প্রদেসতা ইন্দিয়াদা চংলক্লবা তুংদা সিয়াং তুরেল হায়না খংনৈ। অদুগী মসিনা অসাম হেক য়ৌরকপদা ব্রহ্মপুত্র কৌই।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রসন, দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিস অমসুং মরিলৈনবা অতৈ দিপার্টমেন্ট পূন্নমক মীৎ-নাশিংনা লৈনবা খংহনখ্রে।

সেন্ট্রেল ৱাটর কমিসন (সি দবলিয়ু সি) গী মতুং ইন্না ব্রহ্মপুত্রগী ঈশীং ঈমাই নেন্না লৈবনা অসামদা পীরকপা য়াবা শাফু থোইনা অরুবা ওইরোই অদুবু তুরেল অদুদা নীংখাইরবা লৈবাক্না থিংলিবদু কাইরকপা তারবদি পাসিঘাধতা ঈচাউগী থাক লাম্লোকপা য়াই। মদুনা দেমাজি দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিংগী ঈমাইশিং ৱাংখৎলক্কনি।

ব্রহ্মপুত্রদা ঙা ফানবা ঈরোইনবা নৎত্রগা অতৈ থবশিংগীদমক চৎতনবা মীয়ামদা পাউতাক পীখ্রে হায়না ধেমাজি দিপুটি কম্মিস্নার রোসনি অপারনজি কোরাতিনা হায়খি।

দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিব্রুগর, ধেমাজি, লখিপুর অমসুং তিনসুকিয়াদা ফ্লদ এলার্ট লাওথোরকখ্রবগী তুংদা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিবুর অমসুং ধেমাজিগী মরক্তা মতম কক্তনা ফেরি সাভিস পূন্নমক লেপহনখ্রে।

অখন্নবা এয়ারক্রাফ অমনা ঙরাং নুমীদাং অথেংবদা এন দি আর এফ টিম ৬ কোলকতাদগী দিব্রুগরদা থুংলখ্রে। টিম ৪ ধিমাজিদা থাখ্রে। টিনসুকিয়া অমসুং ধিব্রুগরদা অমমম থাখ্রে। মসিগী মমাঙদা থোরকপা ফিভম খুদিংমক থেঙননবা মেম্বর ২০ না শাবা এন দি আর এফ কী টিম ৮ পাসিঘাত্তা লৈখ্রে হায়না দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়খি।

সুনিটপুরম অমসুং তিনসুকিয়াদা এন দি আর এফ, এস দি আর এফ অমসুং রিভর পুলিস পূন্নমক থোকপা য়াবা ফিভম খুদিঙমক্কীদমক পূন্নমক থৌরাং তৌদুনা লৈখ্রে।

ঈশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপগী থৌদোক থোক্লবসু মীয়ামদা মীপায়দনবা অমদুবু মীৎশিং-নাশিংনা লৈনবা ওথোরিটিজনা অপীল তৌখ্রে।

এক্সটরনেল এফিয়ার মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ইরাই নুমিৎকী নুমীদাংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টরদা ৱারী শারকখ্রে অমসুং লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং পূন্নমক মঙোন্দা অপীল তৌরকখ্রে। তূরেল অদুদা লেনস্লাইদনা খূৎশেমগী পাৎ শেম্বগী পাউ অদু ঐখোয়দা চীনানা য়ুমশঁকৈশ নুমীৎতা পাউ পীরকখি হায়না ইন্দিয়ান ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

## কাস্মিরদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রবা তুংদা মীচম ৬ শিরে

***শ্রীরিনগর, ওক্টোবর ২১***

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কুলগাম দিষ্টিক্টকী লারো এরিয়াদা তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিটি এজেন্টশিংনা টেরোরিষ্ট লৈ চীংনবা য়ূম অমা থীদুনা অপূনবা ওপরেসন চত্থরকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুগা টেরোরিষ্টশিং অদুগা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে অদুগা লান্মী ২ শোক্লে। খূৎ থোক্লফম অদুদা এপ্লোসিব শেল অমা পোখাইরকপদা মীচম ৬সু কোন্না শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা ওপরেসন মতূংদা মফম অদুদা এক্সপ্লোসিবশিং লৈব্রা হায়না মপূং ফানা থিদুনা লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা মীচমশিং চংদনবা হায়বদুসু খূৎ থোক্লবদু হেক লোইখিবগা মনাক্তা মৈ চাক্লিবা য়ূম অমা তন্না মীচমশিংনা খুদক্তা মফম অদুদা চংশিনখি। মদুদা মফম অদুদা তারম্বা পোখাইদ্রিবা বোম অমা পোখাইবদা মীচম ৬ শিখি হায়না পুলিসনা হায়রি। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহাবুবা মুফতি, গভর্ণর কে বিজয় কুমারগী এদভাইজর অমসুং ষ্টেট পুলিস চিফ দিলবাং সিংহনা মীচমশিং শিখিবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।


খুদোংচাবা লৌবীয়ু!!

ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯂꯧꯕꯤꯌꯨ

খুদোংচাবা লৌবীয়ু!!

ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯂꯧꯕꯤꯌꯨ

"ফনেক চপচরি অমসুং কম্পুটরাইজ ফনেক অহোংবা মমলদা লোঞ্জরি"

ফনেক, ফনেক মপান নাইবা, ফৈজোম, খুদৈনচিংবা মেছিন শিজিন্নদুনা Flatwork তৌজরি। লোয়ননা Computerised Embroidery Machine শিজিন্নদুনা ফনেক মপান নাইবা অহোংবা মমলদা লোঞ্জরি অদুদসু নত্তনা মখল কয়াগী মণিপুরগী Handloom গী পোত্থোকশিংসু ফংবিগনি।

Sd/-
M/s Chaning Flatwork Ironer/ Embroidery Industry
Khongman Mayai Leikai Zone - IV
Ph No:- 8014317969/ 8794596217

SL/BILL/ ALT. 15 DAY


## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 06/07/18
Valid : 03/07/18
Stk : 540 (19kg, 48 )
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Imphal L.P.G.**
Booking : 25/08/18
Valid : 06/08/18
Sl. No. : 22590
Stk : 306/19kg 180
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Yairipok**
Booking : 13/08/18
Valid : 08/08/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas (Old Lambulane)**
Booking : 04/08/18
Valid : 13/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Leibaklei (Kakching)**
Booking : 01/07/18
Valid : 23/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Lambodara Indane Service**
Booking : 20/08/18
Valid : 10/08/18
Stk : 288 (19kg 12)
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Misao**
Booking : 10/08/18
Valid : 11/07/18
Stk : 612 (19kg 70)
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia (Moirang)**
Booking : 26/07/18
Sl. No. : 0601 upto 1220
Valid : 24/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Jemon (Singjamei) (Rs. 998.50)**
Booking : 03/07/18
Valid : 20/06/18
Sl. No. : 22600
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**M.M. Gas (Rs. 998.50)**
Booking : 25/07/18
Valid : 23/07/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১৩১৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 7 | 4 | 8 | 2 | 9 | 6 | 3 |
| 3 | 6 | 4 | 1 | 7 | 9 | 2 | 8 | 5 |
| 2 | 8 | 9 | 5 | 6 | 3 | 1 | 4 | 7 |
| 1 | 3 | 6 | 7 | 4 | 8 | 5 | 9 | 2 |
| 4 | 9 | 5 | 2 | 3 | 1 | 6 | 7 | 8 |
| 7 | 2 | 8 | 9 | 5 | 6 | 3 | 1 | 4 |
| 6 | 4 | 2 | 3 | 9 | 7 | 8 | 5 | 1 |
| 9 | 7 | 3 | 8 | 1 | 5 | 4 | 2 | 6 |
| 8 | 5 | 1 | 6 | 2 | 4 | 7 | 3 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1314**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | | | 4 | | | |
| | | | 2 | 7 | | 1 | | 6 |
| | | 9 | 6 | | | | | |
| | 1 | | | | | | 7 | |
| | | | 3 | 9 | | | 2 | 8 |
| | 2 | 3 | | | 7 | | 4 | |
| | | 5 | | 8 | | | | |
| | | | | | | 3 | | |
| | 4 | | | | 6 | 2 | 8 | 9 |